# তরুন অমসুং ৱিল্লিম মরাল লৈরে হায়না কোর্টনা রাই তাখ্রে

# মখোয় ২না ফংগদবা দণ্ডি হয়েং লাউথোক্লগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৯ঃ টি জি হায়র সেকেণ্ডরী স্কুলগী মহৈরোই নুপীমচা অমা রেপ তৌখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা তরুন অমসুং ৱিল্লিম মরাল লৈরে হায়না ডিষ্ট্রিক্ট এণ্ড সেসন জজ, মণিপুর ইষ্টনা রাই তাখ্রে, থা অসিগী ১১ দা চথগদবা সেন্তেন্স হিয়ারিংনা মখোয়গী মথক্তা পীগদবা দণ্ডি অদু  কোর্ট অসিনা লাউথোক্কদৌরি।

কেস অসিদা চেন্নরিবা থাংমৈবন্দগী থোংঙাম তরুন অমসুং খাগেমপল্লি পনখাদগী য়ুম্নাম ৱিল্লিম অনি ঙসি কোর্ট অসিদা পুথোকখি।

গুনেশ্বরগী কোর্ট অসিনা কেস অসিগী চত্থরককখিবা হিয়ারিংদা মখোয় অনি চপ মান্ননা থৌদোক অদুদা মরাল লৈরে হায়বা রাই তাখি। মখোয় অনিগী মথক্তা করম্বা মখলগী দণ্ডি পীগদগে হায়বদু দিসেম্বর ১১ গী সেন্তেন্স হিয়ারিং অসিদা লাউথোক্লগনি হায়রি।

কেস অসিগী মতাংদা পব্লিক প্রোজিক্যুতর ঙাঙোম তেজকুমারনা হায়, ইং ২০১২ গী ওক্টোবর ২০ দা  টিদ্দিম লম্বীদা লৈবা রেস্তুরেন্ট অমদা টি জিদা ক্লাস তুয়েল্ভ তম্লিবী মহৈরোই নুপীমচা অমা তরুন অমসুং ৱিল্লিম অনিনা ইজ্জৎ মাংহনখি হায়দুনা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনদা নুপীমচা অদুগী ইমুং-মনুংনা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎলকখি।

ইমুং-মনুংগী ৱাকৎ অদুদা পুলিস ষ্টেসন অসিনা আই পি সিগী সেক্সন ৩৭৬ / ১২০-বিগী মখাদা এফ আই আর অমা লৌখৎখি।

কেস অসি কোর্ট অসিদা  তাঙ্কক নাইনা হিয়ারিং চত্থরবা মতুং ঙসি কোর্ট অসিনা মখোয় অনি সেক্সন ৩৭৬(টু) (জি) (গেঙ রেপ) অমসুং ১২০-বি (ক্রিমিনেল   কন্সপিরেন্সি) গী মখাদা মরাল লৈরে হায়না রাই তাখিবনি। মখোয় অনিদা করম্বা মখলগী দণ্ডি অমদি চহী কয়াগী ফাদোক পীগদগে হায়বদু থা অসিগী ১১ দা লাউথোক্লগনি  হায়নসু পব্লিক প্রোজিক্যুতর অসিনা হিয়ারিং লোয়রবা মতুং পাউমীশিংদা ফোংদোরক্লি।

কেস অসি চহী অসিগী মার্চ ১ দগী কেস হিয়ারিং চত্থবা হৌরকখি। তেল্লবা থা মাপলগী মনুংদা কেস অসি লোয়শিনবা ঙম্লে। কেস অসিগী ওইনা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী শাক্ষি ২২ গী জবান লৌখি। কেস অসিদা মায় পাক্লা অতেনবা মতমদা লোয়শিন্দুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক ফংহনবা হায়বসি অনৌবা চহীনা লাকপদা ভিক্টিমগী ইমুংদা লৈবাক অসিগী আইন্না পীবা খুদোল অমনি হায়না লৌবা য়াই। মণিপুরগী ইতিহাসতা অহানবা ওইনা চহী অসিদা রেপ কেস অনি মায় পাক্লা লোয়শিন্দুনা চেন্নবশিং আইনগী মতুং ইন্না দণ্ডি পীবা ঙমখ্রে হায়নসু পব্লিক প্রোজিক্যুতর অসিনা ফোংদোকখি।

কেস অসিগী মতাংদা মহাক মশাদা তোঙান তোঙানবা মেন্তেল প্রেশর লাকপনা থবক তৌবদা তংদু লৈতদবা কয়া থেংনরি পল্লদুনা  কেস অসিগী মতুংদা মহাক্লা হান্নগী পায়রকপা কেস  অদু নত্তনা মখা তানা রেপ কেস অমত্তা পায়ররোই। অদুবু কনাগুম্বনা মহাক্কী মতেং দরকার লৈরবদি অঙম্বা মতেং লেপ্তুনা পাংগনি হায়নসু পব্লিক প্রোজিক্যুতর অসিনা ফোংদোকখ্রে।তরুন অমসুং ৱিল্লিমদা কেস অসিগা মরী লৈননা পাল্লিবা সেক্সন অসিগী মতুং ইন্নদি মখোয় অনি য়ামদ্রবদা চহী তরাগী ফাদোক নত্রগা মপুন্সি চুপ্পগী ফাদোক ফাওবা পীবা য়াই হায়রি।

অমরোমদনা কেস অসিগা মরী লৈননা য়ু এম ও, এমসু, অমসুং থৌদোক অদুগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সিনা পুন্না দি এম কলেজ কেম্পসতা লৈবা এমসু হেড ক্বার্টরসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা য়ু এম ওগী প্রসিদেন্ট সোরোজিনি লৈমানা হায়, টি জি মহৈরোই রেপ তৌখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি কোর্টনা চেন্নরিবা অনিমক মরাল লৈরে হায়না রাই তাখিবা অদু তরাম্না ওকই। অদুবু মখোয়দা ইণ্ডিয়াগী আইন্না পীবা য়াবা খ্বাইদগী চাওবা দণ্ডি অদু পীবীয়ু হায়নসু অপিল তৌখি।

এমসুগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম রেগাননা হায়, ইণ্ডিয়াদা অমদি মরু ওইনা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা রেপ কেসশিং অসিদা ভিক্টিম নত্রগা একুজশিংগী মরক্তা মাইনর ওইবা কয়া য়াওরক্লিবা অসি এডুকেসন সিস্তেমদা অহোংবা খরা লৈবগী মমি তাই। হৌজিক ইণ্ডিয়াদা চৎনরিবা এডুকেসন সিস্তেম অসিগী সিলেবসতা “সেক্স এডুকেসন” অসি হাপচিন্দুনা মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌহনবা ঙম্লবদি অসিগুম্বা কেস অসি খরা মখৈদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু মহৈরোই লূচিংবা অসিনা ফোংদোরক্লি।